**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) চহি ৩০ গী তুংদা দিল্লিদা বি.জে.পিগী সরকার লৈরগনি।
সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ৪৮ ফংদ্না চাউনা মায় পাক্লে, আম আদমি পার্তিনা সিট ২২ খক্তমক ফংলে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ্না হায়রি- মণিপুরগী শগোল পোনি য়োকখৎনবা অমদি ঙাক শেন্নবা রাজ্য সরকারনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়ামরুম পায়খৎলে।

৩) থা অসিগী ১০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পরিক্সা পে চরচা থৌরমদা মহৈরোইশিং অমদি মখোয়গী অহল লমনশিংনা শরুক য়াপীনবা রাজ্যগী ইদুকেসন (এস)কী দাইরেক্তরনা আপীল তৌরি।

৪) ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না শিন্দুনা ঙসি নোইদাদা এক্স আর ক্লিয়েতর হেকাথোন- দিল্লি মিট অপ পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী ১২ য়াওনা পুন্না তকমান ৩৬ ফংদুনা ৭ শুবদা লৈরি।

------

দিল্লি ঃ দিল্লিদা চহি ৩০ রোমগী তুংদা আম আদমি পার্তিবু মায়থিবা পীদুনা বি.জে.পিনা অনৌবা সরকার শেম্লগনি। সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভা

মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ৪৮ অদুগা আম আদমি পার্তিনা সিট ২২ ফংলে। কংগ্রেসতি সিট অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রে।

বি.জে.পিগী সিটতা কারক্লবা শকাইরবা মীওইশিংগী মনুংদা নিউ দিল্লি বিধান সভা কেন্দ্রদগী পারভেস সাহিব সিংহ, জংপুরাদগী তারবিন্দর সিংহ মারৱা, করাৱালনাগরদগী কপিল মিশ্রা, রাজোরি গার্দেনদগী মনজিন্দর সিংহ সিরসা, গান্ধিনাগরদগী আরবিন্দর সিংহ লভলি, গ্রেতর কৈলাসতগী সিখা রোই অমসুং মোতিনাগরদগী হরিস খুরানা য়াওরি। মায় পাক্লবা বি.জে.পিগী অতৈ মীওইশিংগী মনুংদা সাপুর বস্তিদগী করনেল সিংহ অমসুং কস্তুরবা নাগরদগী নিরজ বাসোয়া য়াওরি।

আম আদমি পার্তিগী মায় পাক্লবা শকাইরবা মীওইশিংগী মনুংদা কালকাজি সিটতগী মুখ্য মন্ত্রি আতিসি মারলিনা, সাদর বজারদগী সোম দত্ত, বাবরপুরদগী গোপাল রাই, দিল্লি কেন্টোনমেন্টতগী বিরেন্দ্র সিংহ কাদিয়ান, কোন্দলি সিটতগী কুলদিপ কুমার, তিলক নাগরদগী জরনেল সিংহ, বালিমারানদগী ইমরান হুসেন, তুগলকবাদতগী সাহি রাম, সুল্টানপু মজ্রাদগী মুকেশ কুমার, অহল্লাৱট, কিরারিদগী অনিল ঝা, সিলামপুরদগী চৌধরি জ্বায়ার অহামদ অমদি চান্দনি চোক্তগী পুনরদিপ সিংহ সোহনি য়াওরি।

মায়থিহৌরবা শকাইরবা মীওইশিংগী মনুংদা আম আদমি পার্তিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং- আরবিন্দ কেজ্রিৱাল, মনিস সিসোদিয়া, সৌরব ভরদ্বাজ অমসুং কংগ্রেসকী সন্দিপ দিক্সিত য়াওরি।

উত্তর প্রদেশকী মিল্কিপুর বিধান সভা কেন্দ্রগী মরক্কী মীখলদা বি.জে.পিগী চন্দ্রভানু পাসৱান কারে। তামিলনাদুগী ইরোথ ইষ্ট বিধান সভা কেন্দ্রগী মরক্কী মীখলদনা দি.এম.কেগী চান্দিরা কুমার ভি.সি মায় পাক্লে।

রিএক্সন ঃ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা দিল্লিদা লৈবা বি.জে.পি হেদক্বাটরসতা দলগী কারিয়াকার্তাশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ঙসি বি.জে.পিনা দিল্লিগী ইলেক্সনদা মায় পাকপা অসি ঐতিহাসিক ওইবগা লোয়ননা দিল্লিগী মীয়ামা চাউখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লকপগা মান্নরি। মসিমক দিল্লিগী মীয়ামা মোদিগী

গেরেন্তিদা থাজবা থম্বীবদগীনি। প্রধান মন্ত্রিনা অসিগুম্বা মীয়ামা লৌরিবা খোঙথাং অসিদা দবল ইঞ্জিন সরকারনা দিল্লি চাওখৎনবা হোৎনবদা অয়ুক নুমিদাং খায়দনা হোৎনগনি হায়না ফোংদোকখি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমদি বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দা অনি য়াওনা মীয়ামদা থাগৎ ৱাহৈ পীখিবা থৌরম অদুদা মখা তারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- রাজনীতিদা অরানবা তৌবশিংগী মফম লৈতে। প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- লোক সভাগী টার্ম অহুম্লক্কী মীখলদা দিল্লিগী মীয়ামা বি.জে.পিবু মপুং ফানা মায় পাকহনখিবতা নত্তনা বিধান সভা মীখলদসু হন্দক চাউনা মায় পাকহন্দুনা ইতিহাস অমা শেম্লে।

বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- দিল্লিগী মীয়ামা বি.জে.পি সরকারদা থাজবা থমলে হায়বদু উৎলে। মখোয়বু কৈদৌনুংদা লান্না লমজিংবা ঙমলোই হায়বদু হন্দক্কী মীখল অসিনা তাক্লে।

ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়- দিল্লি বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা য়ামা চাউনা মায় পাকপা ঙম্বা অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামা বি.জে.পিগী থৌশিল থৌরাংশিংবু পাম্লে হায়বদু তাক্লে।

বি.জে.পি প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দানা হায়- মীখল অসিদা বি.জে.পিনা মায় পাক্লকপা অসি শ্রী মোদিগী থৌশিলদা মীয়ামা থাজবা থম্লে হায়বদু তাকপনি। মসিনা দিল্লিবু হেন্না চাওখৎপা লম্বীদা চংশিনহনবা ঙম্লগনি।

মীখলদা মায় পাক্লবা আর্ম আদমি পার্তিগী মকোক থোংবা লুচিংবী আতিসিনা কলকাজি বিধান সভা কেন্দ্রগী ভোতরশিংগী মফমদা থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা দল অসিনা মীয়ামা পীবা রাই অদুবু তরামা ওকখ্রে। মহাকা দলগী কর্ম্মিশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

আম আদমি পার্তিগী নেসনেল কনভেনর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়- দল অসিনা মীয়ামা পীবা রাই অদুবু ইকায় খুমৈ অমসুং মীখলগী ফল অদুবু তরামা ওকই। মীখলদা মায় পাকপদগীমক মহাকা বি.জে.পিগী মফমদসু নুংঙাইবা ফোংদোকখি। বি.জে.পিনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা কয়া থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়বগী থাজবসু মহাকা ফোংদোকখি।

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- মণিপুরগী শগোল পোনি য়োকখৎনবা অমদি ঙাক শেন্নবা রাজ্য সরকারনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়ামরুম পায়খৎলে।

অসাম রাইফলসনা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চৎথরকখিবা দি.জি.এ.আর মেন এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপ লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা শগোলশিংগী শজিক চাফম ওইনা লম একর ৩০ খাক্তুনা থম্লে। মহাকা হায়- পাঙ্গৈ য়াওনা অতৈ মফমশিংদসু শগোলশিংগী শজিক চাফম শেমগৎলি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- শগোল কাংজেবু য়োকখৎতুনা থমবগীদমক লমদম অসিগী ওইবা শগোল কাংজে মশান্নগী তুরনামেন্ট চীফ মিনিষ্টরস শগোল কাংজে চেম্পিয়নসিপ হৌদোকখ্রে। লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসনা শগোল কাংজেগী অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা তুরনামেন্টশিং পাঙথোকপদা থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মসিনা শগোল কাংজে অমদি মণিপুরগী শগোল পোনিবু য়োকখৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা অমদি মীয়ামা হান্নগুম নুংশি চান্ননা পুন্না লৈমিন্নবা ঙমবা রাজ্য সরকারনা পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎলি।

থৌরম অদুদা শ্রী বিরেন্না শগোল কাংজেগী ভেটরান শান্নরোইশিংবুসু ইকায় খুমবা উৎখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা কঞ্জুমর এফ্যারস মন্ত্রি এল. শুশিন্দ্রো মৈতৈ, সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি ঐচ. দিঙ্গো, এম.এল.এশিং- শোরোকখায়বম রাজেন অমসুং খোংবানতাবম ইবোমচাসু শরুক য়াখি। অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনেরেল, লেফটনেন্ট জেনেরেল বিকাশ লাখেরা অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

পরিক্সা ঃ পরিক্সা পে চরচাগী ৮ শুবা ইদিসন থা অসিগী ১০ দা নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোক্কনি। শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়- থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা হিরমদা মমিং লৈরবশিংনা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নগনি অমসুং

মখোয়গী গ্যান-লৌশিং অমদি থেংনদুনা খঙলকপশিং তাথোক তাশিন তৌনগনি। মন্ত্রালয়না হায়- থৌরম অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোই ৩৬ না প্রধান মন্ত্রিগা হকথেংননা ৱারী শান্নগনি।

প্রোগ্রাম অসি দুরদর্সন, স্বায়ম, স্বায়ম প্রভা, পি.এম.ওগী য়ু ট্যুব চেন্নেল অমসুং ইদুকেসন অমদি ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সোসিয়েল মিদিয়া চেন্নেলশিংদা শন্দোক্কনি।

কুমশি চহিগী ওইনা শিক্ষা মন্ত্রালয়না মহৈরোই, মখোয়গী মমা মপা অমদি ওজা কোতি ৩ লাখ ৫ থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা রেজিষ্টর তৌরকখি।

আর্ট (এল)ঃ মঙাসুবা নেরেটিভ আর্ট ফেষ্টিভেল ঙসি শ্রীশ্রী পতিতা পৱানা নত্যা মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে। গুরু-সিস্যা পরম পারাগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল অদু আর্ট এন্দ কলচরগী দিপ্যুতি দিরেক্তর জি. ধর্ম্মদাস শর্ম্ম, থিয়েটর দিরেক্তর লোইতোংবম ব্রজমোহন সিংহ অমদি এম.দি.য়ুগী সেনিয়র দিরেক্তর হাওরোংবম দেবেন্দ্রো শরুক য়াখি। লমদম অসিদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরকবা আর্ট ফোর্মশিং চৎনবী কায়দনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা আর্ট ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱারী লীবা, লাইরিক হায়বা-থিবা, নুপী পালা ফমশকচিংবা পাঙথোকখি।

একজিবিসন (এল)ঃ নুমিৎ মঙানি চথুগদবা আর্ট একজিবিসন প্রিলুদ ঙসিদগী ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরি ক্বাকৈথেলদা হৌখ্রে। নহা ওইরবী নুপী আর্টিষ্টশিংনা শিনবা একজিবিসন অসিদা নুপী আর্টিষ্টশিংনা য়েকপা লাই পুন্না ৪০ উৎলি। একজিবিসন অসি মীয়ামা য়েংবা য়ানবগীদমক থা অসিগী ১২ ফাওবা নুংথিল পুং ২ দগী নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা হাংগনি।

মীয়াম(এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাদা নুমিৎ নিনি চখুরকপা মীয়ামগী নুমিৎ ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম তেরাখোংদা লৈবা কুম্বী গভরমেন্ট হায়স্কুল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মীওই কয়ানা মীয়ামগী ৱাকৎ তাখি। হেলথ কার্ড, লেবর কার্ড, ওল এজ পেন্সন অমসুং ৱিদো পেন্সনচিংবগী কার্ডশিং শাবা অমসুং রেভিন্যুগা মরী লৈনবা ৱাকৎ কয়া মীয়ামনা মরী লৈনবশিংগী মফমদা পুখৎখি।

ভিজিৎ (এল)ঃ এম.এল.এ- এম. রামেশ্বরনা ঙসি ককচিং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা লম্বীশিং শেমজিনবগী থবক চখ্যরিবা অদু য়েংশিনখ্রে। নিংশিংবা য়াই, কেন্দ্র অসিগী লম্বীশিং মতম কুইনা চৎনবগীদমক পেভর ব্লোক টেকোলোজি শিজিন্নদুনা শেমজিনবগী থবক চখ্যরিবনি।

এমপিএসসি (এল)ঃ থবক্তগী পোখারবা আই.পি.এস শ্রী খৌমেল গোংলিনবু মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা হাপখ্রে। মসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা হুকুম অমা থোকখ্রে।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ হিদাক মনা শিজিন্নবগী অমাংবশিং মহৈরোইশিংদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা নেসনেল তোবেক্কো কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট তোবেক্কো কন্ট্রোল সেল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা মহৈরোইশিংগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি হৈবোংপোকপী হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

অমুকো (এল)ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ৩২ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি রিমসতা পাঙথোকখ্রে। হয়েং ফাওবা চখ্যগদবা ঈ দান তৌবগী থৌরম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস

ওর্গনাইজেসনগা অমুকোগা খুৎশমদুনা শিনবনি। অনা লায়েংদা তঙাইফদনা চংলিবা ঈ খরদা ওইরবসু মেনখৎনবগী পান্দমদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

হেকাথোন ঃ ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না শিন্দুনা ঙসি নোইদাদা এক্স আর ক্লিয়েতর হেকাথোন- দিল্লি মিট অপ পাঙথোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী জোইন্ট দাইরেক্তর অসুতোস মোহোলেনা হায়- ৱেবস ২০২৫ কী শরুক অমা ওইনা এক্স আর প্লিয়েতর চেলেঞ্জগুম্বা তোঙান তোঙানবা কম্পিতিসন কয়া পাঙথোক্লি। মসিনা লাক্লিবা চহি কয়াদা লৈবাক অসিদা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংগী টেকোলোজিগী লমদা হেন্না চাওখৎহনবা ঙমহনগনি। মহাকা হায়- ৱেবস ২০২৫ কী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংগী খুথাংদা নৌনা চাওখৎলক্লিবা উদ্যোগশিং অমদি মপাল নাইদ্রবা খুদোংচাবা কয়াগী মতাংদা ঈ-পাউ কয়া শন্দোক্লি।

কংগ্রেস ঃ ইন্দিয়ান আর্ট হিষ্ট্রি কংগ্রেসকী ৩২ শুবা মীফম ঙসিদগী নোইদাদা হৌখ্রে। নুমিৎ হুমি চংখগদবা মীফম অদু কেন্দ্রগী কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হৌদোকখি। মীফম অসিগী কুমশি চহিগী থিমদি- রেন্দরিং ওফ ইন্দিয়ান ইপিক্স ইন আর্ট এন্দ কলচর হায়বসিনি। মসিদা ইপিকশিংদা যুম্ফম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মখলগী আর্টিষ্টিক এক্সপ্রেসনশিং উৎকনি।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি মনিক সাহানা রাজ্য অদুদা স্কিল উদয় তোংগাই হায়না মীংথোনবা স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে। আগরতালাদা লৈবা ত্রিপুরা ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিদা হৌদোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু স্কুল অমসুং কলেজগী মহৈরোই লিশিং ৮০ রোম কান্নবা পীরগনি।

গেমস ঃ উত্তরাখন্দদা পাঙথোক্লিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী ১২, লুপাগী ১১, শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৩৬ ফংদুনা ৭ শুবা মফমদা লৈরি।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ৩৮, লুপাগী ১৩ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৬৪ ফংদুনা অহানবা, করনাতক্কানা সনাগী ৩০, লুপাগী ১২ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না তকমান ৫৭ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাষ্ট্রনা সনাগী ২১, লুপাগী ৩৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪০ পুন্না তকমান ৯৯ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

ফুটবোল (এল) ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিনদুনা চখ্খরবিা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা শঙ্গাই হিরোসনা সাই আর.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

পোলো (এল) ঃ দি.জি.এ.আর মেন এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপকী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেলদা অসাম রাইফলস মহিলা পোলো টিমনা লিন্থোইঙন্বী কাংজে লুপ্পু পাঞ্জল ৬-৪ দা থোইখ্রে। নুপাগী ফাইনেলদনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম-বিনা এক্স পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখ্রে। ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা মায় পাক্লবা টিমশিংদা শেলগী মনা অমদি ট্রোফিশিং য়েন্থোকখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি তাউথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা এ.এল. অমিন লিলোংনা লোটস হিয়াংলমবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

লারেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এ.এম.সি.এ থৌবালনা এন.সি.এ নম্বোলবু রন ২১০ দা থোইখি।

কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্ট ফোরবু

ৱিকেট ৬ তা থোইখি।

পি.টি.আর.সি. গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট ফোরদা শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা দব্লিউ.ৱাই.সি থৌবাল ৱাংখেমবু রন ২০৩ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান দে ট্রোফি-২০২৪-২৫ গী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা থাউ থাংমৈবন্দনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ৭০ দা থোইখ্রে।

পি.সি.সি. গ্রাউন্দ ময়াইকোইবীদা শান্নখিবা মেটচতনা পি.সি.সি ময়াইকোইবীনা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকপু রন ৩৩ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ  ৯ শুবা এম.এন.সি.এ- দব্লিউ প্রহলাদা এন্দ দব্লিউ রামানন্দ ইলিট তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিনা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু রন ২৭ তা থোইখি।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) চহি ৩০ গী তুংদা দিল্লিদা বি.জে.পিগী সরকার লৈরগনি।

সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ৪৮ ফংদুনা চাউনা মায় পাক্লে, আম আদমি পার্তিনা সিট ২২ খক্তমক ফংলে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- মণিপুরগী শগোল পোনি য়োকখৎনবা অমদি ঙাক শেন্নবা রাজ্য সরকারনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়ামরুম পায়খৎলে।

৩) থা অসিগী ১০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পরিক্সা পে চরচা থৌরমদা মহৈরোইশিং অমদি মখোয়গী অহল লমনশিংনা শরুক য়াপীনবা রাজ্যগী ইদুকেসন (এস)কী দাইরেক্তরনা আপীল তৌরি।

৪) ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না শিন্দুনা ঙসি নোইদাদা এক্স আর ক্লিয়েতর হেকাথোন- দিল্লি মিট অপ পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী ১২ য়াওনা পুন্না তকমান ৩৬ ফংদুনা ৭ শুবদা লৈরি।

--- পাউ লোইজরে---